হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ চীংশু

– ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার –

সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

উগী ওইবা মগুন অদুগীদমক্তা মালেম শীনবা থুংনা ফাওরিবা টিক (Teak) হায়রিবা পাম্বী অসি ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা চীংশু হায়না কৌনৈ অমসুং মসিদা হীদাক্কী ওইবা মগুন খরদি অদুমক য়াওরি। চীংশু পাম্বী অসি ইংলিসতা টিক ট্রী (Teak tree), হিন্দিদা সেগুন (Sagun), টামিলদা তেক্কু (Tekku), মালায়ালমদা থেক্কু (Thekku), মরাথীদা সাগ (Sag) নৎত্রগা সাগৱান (Sagwan), বেঙ্গোলিদা সাগুনা (Saguna), সিনহালি হায়বদি শ্রীলঙ্কাগী মীওইশিংনা থেক্কা (Thekka), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা টেকটোনা গ্রেন্দিস (Tectona grandis L.) হায়না কৌই অমসুং ভর্বেনেসী (Verbenaceae) শাগৈগী মনুং চল্লি। অদুবু বোটানিষ্ট খরনদি পাম্বী অসি লেমিয়েসী (Lamiaceae) শাগৈদা থল্লি। চীংশু পাম্বীগী জেনেরিক্কী ওইবা মমিং টেকটোনা (Tectona) হায়বসি গ্রীক্কী ৱাহৈদগী লৌথোকপনি অমসুং মসিগী ৱাহন্থোক্লা ‘এ কার্পেন্টর’ (A carpenter) হায়বদি উশুবা মী অমা হায়বনি। অদুগা স্পিসিসকী মমিং গ্রেন্দিস হায়বসিনা য়াম্না চাউবা উজাও পাম্বী হায়বনি। শম্না হায়রবদা চীংশু পাম্বী অসি উগী মগুন থোইদোক-হেন্দোক্লা লৈবা অদুগা উশুবা মীওইশিং য়াম্না পাম্নবা অচৌবা পাম্বী হায়বনি।

চীংশু পাম্বী অসি ইন্দিয়া, ম্যান্মার অমসুং জাভাগী লমদমশিংদগী হৌরকখিবনি হায়বগী পাউদমশিং লৈ। পাউদমগী মতুংইন্না চীংশু পাম্বী অসি শ্রীলঙ্কাদা কুমজা ১৬৮০দগী পুশিন্দুনা থাবা হৌখিবদগী ঙসিদি মফমসিদা মহৌশাগী ওইবা মওংদা অদুমক হৌরে। অতোপ্পা পাউদম অমগী মতুংইন্না চীংশু পাম্বী অসি খা অমসুং খা-নোংপোক থংবা এসিয়াগী লমদমশিং মরুওইনা ইন্দিয়া, ইন্দোনেসিয়া, মলেসিয়া, থাইলেন্দ, শ্রীলঙ্কা, বাংলাদেশ অমসুং ম্যান্মারদগী হৌরকখিবনি হায়না পীরি। অদুম ওইনমক পাম্বী অসি মথং-মথং থানখিবদগী ঙসিদি আফ্রিকা অমসুং কেরিবিয়ানগী লমদমশিংদা য়াম্না মরাং কায়না হৌখরে। পাউদম অমগী মতুংইন্না মালেমদা হৌরিবা মহৌশাগী ওইবা চীংশু পাম্বী পুম্নমক্কী শরুক অনী থোকপগী অমদি ম্যান্মারখক্তদা হৌরি। ময়াম্না বর্ম্মা টিক হায়না খঙনবা ম্যান্মারদা হৌরিবা টিক পাম্বী অসিনা খ্বাইদগী ফৈ হায়না শীংথানরিবনি। বিজ্ঞান্না থিজিনবদগী ফংলকপা পাউদম অমগী মতুংইন্না চীংশু পাম্বীগী জিনেটিক হায়বদি পারি-পুরিগী ওইবা হৌরকফম অসি মফম অনীদগী ওই। অহানবদা ইন্দিয়া অমসুং অনীশুবদা ম্যান্মারনি। ময়াম্না সী পি টিক (CP Teak) হায়বদি Central Province Teak অসি ইন্দিয়াগী ময়ায় থংবা লমদমশিংদা হৌবা চীংশু পাম্বী অদুনি।

টেকটোনা জিনসকী মখাদা পূন্না স্পিসিস অহুম লৈ। ঐখোয়গী লমদমদা ফংলিবা চীংশু পাম্বী অসি নত্তবা অতোপ্পা চীংশু মখল অনীদুদি টেকটোনা হেমিলটোনিয়ানা (Tectona hamiltoniana) টেকটোন ফিলিপিনেন্সিস (Tectonaphilippinensis) নি। মখোয় অসি মথংশিংনা ম্যান্মার অমসুং ফিলিপিন্সতগী হৌরকখিবনি।

চীংশু পাম্বী অসি দেসিদুঅস (Deciduous) হায়বদি চহী অমগী মনুংদা মরু ওইনা নিংথমথাগী মতমদা মনা কেনবা ফুট ২০০ ফাওবা ৱাংবা উজাও পাম্বীনি। পাম্বী অসি নোংজুথাগী মতমদা শংত্রিক শংবা অপাকপা মনা ময়াম কুংনা পান্দুনা পূক্লিং শুমহৎনীংঙাই ওই। লোয়ননা অঙৌবা মচুগী অপিকপা অমদি মনম চেনবা লৈ ময়াম চবুন ওইনা শাৎলি। চীংশুগী উ অসি হিংলিঙৈদা ককথৎপা মতমদা শউনগী মনম নম্মী। নৌরিঙৈ মতমদা উ অদু ৱাউথাংনৈ। অদুবু লিশিল্লক্লগদি মচু অদু মুশিল্লকই। মপূং-মরৈ ফারবা চীংশু উ অসি ক্যুবিক মিটর অমদা কেজি ৭২০ লোম লুম্মী। চীংশুগী উ অসি খ্বাইদগী ফবা হায়বদি গ্রেদ ৱানগী উগী মনুং চল্লি। চীংশু উগী মহুৎ (Grains) শিংগী কারক (গেপ) অসি রেজিন হায়রিবা গমশিং অসিনা য়াম্না কুংনা ফুঞ্জিন্দুনা লৈবা মরম্না ঈশিংদা মতম কুইনা তীংদুনা থম্বা মতমদা উ অদু থোইদোক্লা পুমথহন্দে অমসুং লৈশৌ অমদি তীল-কাংনসু উ অদু অমাঙ-অতা থোকহনবা ঙমদে। মরমশিং অসিনা চীংশুগী উ অসি তুরেল অমদি ঈশিং লৈবা মফমদা মখোঙ লিংবা থোংশিং শাবদা পাম্না শীজিন্নৈ। হি অমসুং জহাজ শানবগীদমক্তা মালেমগী মফম অয়াম্বদা দিমান্দ য়াম্না লৈ। উপুকাংথোল, ষণ গাড়ীগী কাংখোঙ, উদা হুকপা, থোঙ-থোঙনাও চনবা অমদি টেবল-চৌক্রিগীদমক্তা চীংশুগী উ অসি য়াম্না পাম্নৈ অমসুং মমল ৱাংঙি। মহারাষ্ট্রগী লোনাবলা মনাক্তা লৈবা কার্লা কেভ হায়বদি শুরুং অসিগী মথক থংবা সিলিং অসি চীংশুগী উনা চন্দুনা লৈরিবা ফ্রেমশিং অসি ঙসিদগী চহী ২০০০ হেল্লবসু ঙসি ফাওবদা থোইদোক্লা অতেক-অকায় য়াওদনা লৈবগী পাউদম লৈ।

ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি অঙাং খোঙ্গলাই চুবা অমদি তিঞ্জং-কায়জংদুনা মশা য়াম্না শোনবদা চীংশু পাম্বীগী অনৌবা মনা অদুগা খজিং অতেকপগা থোংদুনা হাপ্তা অনীগুম্বদং চাং নাইনা পীজদুনা লায়েংনৈ। হায়রিবা অথোংবা অদু পীজদুনা নুপীগী থাগী খোঙকাপ চাং নাইহন্নবা হীদাক ওইনসু শীজিন্নৈ। চীংশু পাম্বীগী মনা অসি ইন্দিয়াদা য়াম্না কুইরবা মতমদগী নুংশং থুংবা, খোং হামথবা অমদি লাইচাক থুংবা অসিদা হীদাক ওইনা শীজিন্নরকপগী পাউদম লৈ। চীংশু পাম্বীগী লৈদগী লৌবা থাউ অদু উনশাগী লায়নাশিং মরু ওইনা খুহীং অমসুং লাইকোই অসিদা হীদাক ওইনা শীজিন্নৈ। হায়রিবা থাউ অসি শম হীদাক ওইনবু শীজিন্নৈ। চীংশু পাম্বীগী মরা অদু ঈশিংদা লোল্লগা শেম্বা মহী অদু পীথকপদা হক্কী ঈশিং চৎপা ঙমদবা হায়বদি ঈশিং য়াফম তৌবদা লায়েং হীদাক ওইনা শীজিন্নৈ। চীংশু পাম্বীগী উগী মকু অদু ব্রোঙ্কাইটিস হায়রিবা শ্বর হোনবগা মরী লৈনবা লায়না অসিদা থোইদোক্লা কান্নবগী পাউদমশিং লৈ। ●

ষ্টেটকী পাউ

ইরেন্দ্রো লৈচোম্বমগী এন্টিসিপেটরি বেল এপ্লিকেসন খন্নখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৭ (ঐচ এন এস): পিপলস রিসর্জেন্স এন্দ জষ্টিস এল্লাইয়ন্স (পি আর জি এ)গী কনভিনরসু ওইরিবা ১১শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেম্ব্লী ইলেক্সনদা ৯-থাংমৈবন্দ এ সীদা মীখল থেংনখিবা ইরেন্দ্রো লৈচোম্বমনা মহাক্কী মথক্তা ইম্ফাল ইষ্টকী পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসন্না রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা কেস অমদগী এর্ন্টিসিপেটরি (প্রি-এরেষ্ট) বেল পীবীনবা হায়জরকখিবা এপ্লিকেসন ঙসি হায় কোর্টনা লৌখৎতুনা খন্নখ্রে।

চীফ জষ্টিস রামালিঙ্গম সুধাকরগী বেঞ্চনা এপ্লিকেসন অসি লৌখৎতুনা খন্নরকপদা ইরেন্দ্রো লৈচোম্বমগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেল অজমল হুসেননা মহাক্কী সবমিসনশিং কোর্টতা থমখি। অদুগা বেল এপ্লিকেসন অসিগী রেস্পোন্দেন্ট ওইরিবা পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর ইন-চার্জ (ও সী)গী মায়কৈদগী পব্লিক প্রোজিক্যুটর অথৌবা খাইদেমনা লেপখি। লোয়ননা কোর্টনা এপ্লিকেসন অসিগা মরী লৈননা ইস্যু তৌবা নোটিশ রেস্পোন্দেন্টকী কাউন্সেলনা লৌখি।

অদুম ওইনমক এপ্লিকান্টকী মায়কৈদগী হায়জরক্লিবা ৱাফম অসিগা মরী লৈনরিবা পুলিসকী এফ আই আর কেস অসি হৌজিক ফাওবদা অপলোদ তৌরত্ত্রি হায়বদগী পব্লিক প্রোজিক্যুটর অথৌবা খাইদেমনা এফ আই আর কেস অসি রেজিষ্টর তৌরব্রা অমসুং অপলোদ তৌব্রা নৎত্রগা তৌদবরা হায়বগী মতাংদা ভেরিফাই তৌনবা মতম খরা পীবীনবা হায়জখি।

কোর্টনা পি পিনা তৌরকপা প্রেয়রগী মতুংইন্না এর্ন্টিসিপেটরি বেল এপ্লিকেসন নম্বর ২৯ ওফ ২০২০ অসি থা অসিগী ১০ দা মখা তানা খন্ননবগীদমক লিষ্ট তৌনবা দিরেক্সন পীখি। অদুম ওইনমক পিটিসনরগী মায়কৈদগী মহাক্কী বেল প্রেয়র অসিগা মরী লৈনরিবা ফেসবুক পোষ্ট অদুগী কোপী অমা কোর্টতা পীখৎলক্লবা খঙহনখি।

‘লৈঙাক অমদি মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চঙবীবগী মতম হেনখিগদৌরে’

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৭ (ঐচ এন এস): ইশাগী ইরোল ইয়েক, পুৱারী অমদি মরু ওইবা লাইফমশিং তুংগী মীরোলগীদমক করম্বা ফীভমদা ঐখোয় পুম্নমক্লা থল্লমগদৌরিবনো। ৱাফমসিদা লৈঙাক অমদি মরী লৈনবা পুম্নমক্লা মীৎয়েং চঙবীবা মতম হেনখিগদৌরে হায়না য়েলহৌমী কনবা অপূনবা লূপ (ৱাই কে এ এল) গী প্রসিদেন্ট লানঙম অঙোমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ইরমদমসিদা লৈদুনা নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী পূন্না খুন্দা লৈতামিন্নরক্লবা য়েলহৌমীশিংগী মরক্তা খাইবুং খাইবুং তাহন্দুনা লোল, ময়েক, পুৱারী অমদি লানফম-তিনফম মরু ওইরবা কয়াবু মথং মথং মাঙথরক্লিবা কয়া অসি ঐখোয় ইশানা মাঙথহল্লিব্রা নৎত্রগা কনাগুম্বশিংনা মাঙহল্লিব্রা হায়বদু থিদোক্লনা খঙদোক্লগা ইশা ইশানা মাঙহঞ্জবা ওইরবসু খোঙফম হন্দোকপা য়ারে। মীতোপ কনাগুম্বশিংনা মাঙনবা শীনবা ওইরবসু ঐখোয় য়েলহৌমী পুম্নমক্লা পূন্না থেংনবা মতম ওইরে।

হৌজিক লোল, ময়েক কনবা ঙল্লবসু মরু ওইবা পুৱারীগা নক্করম্বা থাদোক্লবা য়াদ্রবা লাইফম তিনফম কয়াদি নোংমা নোংমদি লেপ্পা লৈতনা মাঙ তাকহনবরোমদা লাক্লি। খুদম খরদং থমজরবদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্তকী মফমদা লৈবা চেঙ্গৈ পুৱারীগী লমায়দা ইদুনা লৈরিবসি মঙাইরে। হৈবোক চীং য়াম্না মরু ওইবা নিংথৌরেল কয়ানা ফম্বাল তোংদুনা পাল্লম্বা কংলা লাইফমলেননি। লোয়ননা মসিদা মরু ওইবা লাইফম কয়া লৈরি। লাইফম কয়া থুগাই থুগাইদুনা মাঙ তাকহল্লি। হৈঙাং চীংদসু মদু মঙাই, খুরাই অহোংপুংদসু অচৌবা ৱাথোক লান্থোক, মসিদা নত্তনা ইপা ইপুশিংনা থল্লম্বা খুভম কয়া চীংলোন ৯না কোয়রিবা মফম চীংথক অমদি চীংখোঙদা লৈরিবা পুম্নমকসি অসুম লেপ্তুনা থুগাই য়ানখাইবা তৌরবদি কংলৈপাক (মণিপুর) কয়াম কুইনা মালেমদা লৈখিগনি। পুৱারীগী মরু ওইবা মফমশিং লোয়ননা লাইফম তিনফম কায়হন্দনা থম্বা মথৌ তাই। লৈঙাক অমদি মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চঙবীদুনা পায়খৎপা য়াবা থবকশিং পায়খৎপীনবা পূক্লিং চিংশিঞ্জরি হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

মীয়ামগী অৱাবা কোকহন্নবা লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবীয়ু : অকোদোম

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৭ (ঐচএনএস): কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দর টাউন ওইরিবা মোরেদা লৈরিবা মীয়াম্না খূদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরিবা অসিগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্লা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না ওল কম্যুনিটি দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন মোরে (অকোদোম)না ফোঙদোরক্লি।

অকোদোমগী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবা অমদা ওর্গনাইজেসন অসিগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ বুধ মৈতৈনা হায়খি, লোকদাউন অমসুং কর্ফিয়ু তৌখিবনা মরম ওইরগা ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দর টাউন মোরেদা লৈরিবা মীওইশিংনা শূফম-নোম্ফম লৈতবদগী খম থেংনা অৱাবা মায়োক্লরে। মোরে টাউন অমদি অকোয়বদা লৈরিবা দুকান্দারশিংনা পোৎকী মমল ঈশিং ঈচাউগুম ৱাংনা য়োনবা মরম্না মোরেগী মীওইশিং খূদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরে। মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লেম্না চেঙ ফংহল্লিবা অসিসু নফসাগী কার্দ পায়বদনা কিলোগ্রাম মশীং হেন্না পীবা তৌবীগনু। কার্দ পায়বা পায়দবা চপ মান্ননা য়েলহনবীয়ু। মণিপুরগী মফম কয়াদা কোভিদ-১৯ লোকল ট্রান্সমিসন লাকখিবদগী মোরেদা লৈরিবা মীয়ামসু লৌনরক্কদ্রা হায়বগী মিপাইবা লৈবনা মোরে অমদি অকোয়বদা লৈরিবা মীওইশিং অমদি মোরেদা লৈরিবা মীওইবশিংবু কোভিদ-১৯ শুংশোয় শোয়দনা টেষ্ট তৌথোক্লবা মণিপুর লৈঙাক্লা শিনবীয়ু। করিগুম্বা লায়না অসি মোরেদা লৈরিবা কম্যুনিটিশিংদা শন্দোরকপা তারবদি খূদোংচাদবা কয়া চাউনা মায়োক্লগনি। মরম অদুনা লৈঙাক্লসু অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপীয়ু হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

‘সী এমগী ৱাফম য়াবা ঙল্লোই’

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৭ (ঐচ এন এস): চীফ মিনিষ্টরগী ৱাফম রসন মনিগা পুল্লবদি য়াবা ঙল্লোই হায়না ওল মণিপুর ভি দি এফ ৱেলফেয়র এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি এস ঐচ সঞ্জিৎনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা হায়, ওল মণিপুর ভি দি এফ ৱেলফেয়র এসোসিএসননা মতম কয়াগী মমাঙদগী তান্দুনা লাকপা দিমান্দশিংদি, পুলিস কন্সটেবল অমগী য়ামদ্রবদা চাদা ৭৫ (লুপা ১৮,৫৬৬) ওনরেরিয়ম পীগদবনি, থা ১৩গী পে, রেগুলরাইজেসন অমসুং সর্ভিস সিক্যুরিটিনি। মসিগী মতাংদা চহীসিগী জুলাই ১৬তগী আর্মস দাউন পেন্স দাউনগা লোয়ননা মখল মখা কয়াগী খোঙজং কয়া চঙশিন্দুনা লাক্লিবা ওগষ্ট ১০দা ভি দি এফকী ইথিক্সতা অমুক্তা ওইখিদ্রিবা খোঙজং অমগীদমক অচৌবা মেগা মীটিং অমা ইম্ফালগী মরুওইবা মফম অমদা শীন্দুনা সী এম অমসুং মণিপুর এসেম্ব্লী হোল তন্না চঙশিন্নবা ৱারেপ লৌরে। কন্সল্টেটিভ কম্মিটি অমা হেন্না মপাঙ্গল কন্নবা সেন্ট্রেল কম্মিটি, দিষ্ট্রিক্ট ১৬ কন্সর্ন কম্মিটি, লিগেল এদভাইজরি, গার্জিয়ান এসোসিএসন অমসুং এদভাইজরি কম্মিটিগী অখন্নবা ৱারেপ কয়া লৌখিবা লৈখ্রবনি। অদুবু ঙসি ঙরাং খঙহৌদনা সী এমনা ইলেক্ট্রোনিক অমসুং প্রিন্ট মীদিয়া খরদা ভি দি এফশিংগী দিমান্দ গভর্ণমেন্টনা লুম্না লৌবগা লোয়ননা ভি দি এফশিংগী ওনরেরিয়ম লুপা ১০,৫০০ দা হেনগৎলগনি হায়রিবা ৱাফম অসি য়াম্না লাইবক থীবনি হায়রি।

তুরেলদা তাশিনখিবা শিনা ফংলে

য়াইরিপোক, ওগষ্ট ০৭ (ঐচএনএস): থৌবাল দিষ্ট্রিক্তকী য়াইরিপোক পুলিস ষ্টেসননা কোনবা য়াইরিপোক মালোম জালিয়ানবীদা চহী নৌরিবা অঙাং নুপা অমা থৌবাল তুরেলদা তাশিনখিবদগী শিনা ফংখ্রে।

প্রেসনা ফংবা পাউদা শিনা ফংলবা অঙাং নুপামচা অদুগী মমিং অলমাস (৭) অপোকপা এম দি রামিজুদ্দিন, য়াইরিপোক মালেম জালিয়ানবীদগীনি।

থৌদোক অদু ঙসি অয়ুক পুং ৯ রোম তাবা অদুৱাইদা অঙাংদুগা অতোপ্পা চহী ৫মুক শুরবা অমগা তুরেল মপান্দুদা লেপলিঙৈদা শেন্দল তাখ্রে হায়না খুনবদা চেন্থদুনা লুপখিবনি হায়রি। খূদক্তা লৈকাই মীয়াম চঙদুনা থিবদা নুমীৎয়ুংবা পুং ১২.৩০ রোম তাবদা অঙাং অদুনা তাখিবা মফম অদুগা নক্লবা মফমদগী শিনা ফংখিবনি হায়রি।

ইনক্কারি কম্মিতি শেমখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৭ (ঐচ এন এস): চুরাচান্দপুরদা অনাবা অঙাং অমা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা পুখৎলকপদা লায়েংখিদে হায়বা ৱাকৎ অমা লাকপদগী ইন্ক্কারি কম্মিতি শেমদুনা হীরম অসিগী মতাংদা থিগৎহনগদৌরি।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দেপ্যুতি কম্মিস্নার পাৱন য়াদবনা থোকখিবা ওর্দর অমনা হায়, চুরাচান্দপুরগী দোর্কাস ভেংদা লৈবা লামলোমপোক কৌবা মীওই অমগী পীক্লিবা মচানুপাবু দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা লায়েংনবা পুখৎলকপদা হোস্পিটালগী ওথোরিটিশিংনা লায়েংবিখিদে হায়বা ৱাফম থিজিন্নবা কম্মিতি অমা শেম্লে। চুরাচান্দপুরগী এস দি ও গিনমুৱাং ঙাইতেনা চেয়রমেন ওইবা কম্মিতি অসিদা চীফ মেদিকেল ওফিসার ডা. ভি সী পাউ তোনসিংনা মেম্বর সেক্রেটরী অমসুং এস দি পি ও বিজয় কুমার এম পি এসনা মেম্বর ওইরি।

কম্মিতি অসিনা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল চুরাচান্দপুরগী ওফিসলশিংনা অরানবা থৌওং চথখিব্রা হায়বদুগী মতাংদা কুপ্পা থিগৎলগা থা অসিগী ১৭ ফাওবগী মমাঙদা রিপোর্ট পীখৎলক্কনি হায়রি।

ꯄꯥꯏꯂꯁ/নুংশঙ (পাইলস) ওপরেসন তৌদনা ফহল্লি



Naorem Ibomcha

নুংশঙগা মরী লৈনবা লায়ওং খুদিংমক :- মপান্দা পোম্বা, তংবা, ঈ তাবা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, অমাংথোঙ চোন্থবা, নাই চারগা পোম্বা অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেষ্টুলা), মনুংদা পোম্বা (হেমোরোয়র্দ), হাক্কৎচবা অদুগা খোঙ হান্বা য়াদবা অসিনি। অদুগা অতোপ্পা লায়ওং খরনা হকচাংদা তাং-তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ-খূৎতা চিকপা, পোম্বা, পংথবা-শিথবা হকচাংগী শরুকশিংদা শিংলি-নাওরি নুংঙাইতবা হায়রিবা লায়ওংশিং অসি ফহন্নীংবা লৈরগদি হংবীনীংবা লৈরগদি অমুক্তং লেংথোকপীরক্কুনা তানবীয়ু।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai
Contact Nos. 8014023792/6009147645

HL-B/6295/27 july to 25 Aug.

राष्ट्रीय राजमार्ग एवं अवसंरचना विकास निगम लिमिटेड
सड़क परिवहन और राजमार्ग मंत्रालय, भारत सरकार
National Highways & Infrastructure Development Corporation Limited
Ministry of Road Transport & Highways, Govt. of India
CIN: U45400DL2014GOI268082
BHARATMALA

TENDER NOTICE

BidSecurity : Rs. 10,000/-
Cost of Bid Documents : Rs. 2,500/-
Time Period : One Year (Can be extended for 1 year depending on the service)
Name of work : Hiring of Vehicle on Monthly Basis for NHIDCL, PMU-Ukhrul.

Sl. No.	Name of Item	Unit	Qty.	Amount quoted by bidder for Vehicle per Month (inclusive of all taxes)	
				In Figure	In Words
1	Providing, running & maintenance of vehicle on monthly basis. 1) Bolero SUV/TUV300 (04 Nos)	Vehicle nos./	4		
2	INOVA/FORTUNER- (01 Nos.) Vehicle (Travel up to 3000 km per month) as per terms and condition [for PMU-Ukhrul, Manipur].	Months 05/12	1		

1 Providing, running & maintenance of vehicle on monthly basis.
The blank BOQ with terms & conditions for the above may be obtained from web site www.nhidcl.com upto 13:00 hrs, 10.08.2020.

NHIDCL, PMU-Ukhrul
Contact Details: 7896886676
Email: nhidclukhrul@gmail.com

ꯃꯥꯏꯄꯥꯛꯄꯤ ꯃꯦꯇꯔꯅꯤꯇꯤ ꯑꯦꯟꯗ ꯆꯥꯏꯜꯗ ꯍꯣꯁꯄꯤꯇꯦꯜ
MAIPAKPI MATERNITY AND CHILD HOSPITAL
Center for Infertility, Mother and Child Care.
NORTH A.O.C, IMPHAL WEST, MANIPUR.

[illegible] / WANTED

MMCH/AD-25/D/2019: Interested candidates are requested to send the relevant documents through whatsapp at 9612302709 or through email at maipakpi_10@yahoo.com on or before 12th August, 2020.

Sl. No.	Post	No. of Post	Qualification	Desirable	Interview
1.	Laboratory Technicians	4	B.Sc. Microbiology/ DMLT	At least 3 years working experience.	Only the shortlisted candidates based on the resumes will be informed over the phone.

Sd/-HR Manager, MMCH

HL-P/7423/8

In the High Court of Manipur at Imphal

W.P.(C) No. 346 of 2020

In the matter of Writ Petition under Article 226 of the Constitution of India for issuance of writ in the nature of certiorari or any other appropriate writ/order/direction thereby praying for setting aside the impugned order dated 25-06-2020 (Annexure-A4), whereby as many as 200 (Two hundred) candidates from the waitlist has been illegally appointed as Police Constables, in gross violation of the Government's own policy decision/ orders apart from the law settled by the Hon'ble Supreme Court and this Hon'ble Court in this regards. The Private Respondent No. 3 to 202 have been appointed beyond the post advertised and that also after expiry of the validity period.

Md. Firoz Khan, aged about 35 years, S/o Md. Rahimuddin, resident of Kairang Khomidok, Heigkumakhong, P.O. Pangei, P.S. Heingang, Imphal East District Manipur-795114 & 18 Ors.

... Petitioner

-Versus-

The State of Manipur through the Chief Secretary, Govt. of Manipur, Old Secretariat, Babupara, P.O. & P.S. Imphal, District Imphal West, Manipur- 795001 & 201 Ors.

... Respondents

To

1) Ningombam Kishan Singh, Respondent No. 3 ; 2) Nameirakpam Suraj Singh, Respdt. No. 4; 3) Kangam Kenedy Meitei, Respdt. No. 5; 4) Khumanthem Jimmycorner Singh, Respdt. No. 6; 5) Waikhom Anand Singh, Respdt. No. 7; 6) Khumanthem Premjit Singh, Respdt. No. 8; 7) Thounaojam Arunkumar Meitei, Respdt. No. 9; 8) Mutum Santosh Singh, Respdt. No. 10; 9) Md. Holison Khan, Respdt. No. 11; 10) Ahongshangbam Buboy Singh, Respdt. No. 12; 11) Karam Arun Singh, Respdt. No. 13; 12) Rajkiran Ngangom, Respdt. No. 14; 13) Lourembam Bikram Singh, Respdt. No. 15; 14) Md. Nayash Khan, Respdt. No. 16; 15) Thangjam Rojen Meetei, Respdt. No. 17; 16) Thingbaijam Kishan Singh, Respdt. No. 18; 17) Md. Habibur Rahaman Respdt. No. 19; 18) Sorokhaibam Pradeep Meitei, Respdt. No. 20; 19) Yumnam Bishworjit Singh, Respdt. No. 21; 20) Sarangthem Ranjitbabu Singh, Respdt. No. 22; 21) Mangsatabam Amarjit Singh, Respdt. No. 23; 22) Naorem Opendro Singh, Respdt. No. 24; 23) Lairenlakpam Nobinchandra Singh, Respdt. No. 25; 24) Nameirakpam Premjit Singh, Respdt. No. 26; 25) Chungkham Lemba Singh, Respdt. No. 27; 26) Khaidem Surjit Singh, Respdt. No. 28; 27) Md. Nazas Khan, Respdt. No. 29; 28) Thokchom Rakesh Singh, Respdt. No. 30; 29) Yumnam Sanjoy Singh, Respdt. No. 31; 30) Rohit Lourembam, Respdt. No. 32; 31) Ayekpam Jackson Singh, Respdt. No. 33; 32) Arambam Bhabananada Singh, Respdt. No. 34; 33) Muhammad Shahbuddin, Respdt. No. 35; 34) Leishangbam Herojit Meitei, Respdt. No. 36; 35) Minakumar Wakambam, Respdt. No. 37; 36) Ningombam Prem Meetei, Respdt. No. 38; 37) Simanta Roy Mangang, Respdt. No. 39; 38) Khangembam Somorjit Singh, Respdt. No. 40; 39) Yumnam Herojit Singh, Respdt. No. 41; 40) Maibam Momocha Singh, Respdt. No. 42; 41) Noren Sanabam, Respdt. No. 43; 42) Roseshkumar Laitonjam, Respdt. No. 44; 43) Khaidem Malemnganba Meitei, Respdt. No. 45; 44) Thongam Kamaleshwar Singh, Respdt. No. 46; 45) Khaidem Bigyashwor Singh, Respdt. No. 47; 46) Soibam Biswant Singh, Respdt. No. 48; 47) Md. Jenish Ali, Respdt. No. 49; 48) Ahongshangbam Urul, Respdt. No. 50; 49) Pukhrambam Ibochouba Singh, Respdt. No. 51; 50) Thokchom Yaikhomba Meetei, Respdt. No. 52; 51) Chongtham Romajit Meitei, Respdt. No. 53; 52) Thingbaijam Pradip Singh, Respdt. No. 54; 53) Anil Rana, Respdt. No. 55; 54) Ningombam Toni Meetei, Respdt. No. 56; 55) William Keisham, Respdt. No. 57; 56) Kh. Sumanta Singh, Respdt. No. 58; 57) Thiyam Somokanta Singh, Respdt. No. 59; 58) Kayengpaibam Malemnganba, Respdt. No. 60; 59) Saikhom Roshan Singh, Respdt. No. 61; 60) Sanasam Kenedy Singh, Respdt. No. 62; 61) Naorem Robinson Singh, Respdt. No. 63; 62) Nganthoi Khundrakpam, Respdt. No. 64; 63) Ch. Riyajuddin, Respdt. No. 65; 64) Ningthoujam Bharatbhusan, Respdt. No. 66; 65) Thongram Aboy Singh, Respdt. No. 67; 66) Athokpam Robindro Singh, Respdt. No. 68; 67) Sanasam Jackey Singh, Respdt. No. 69; 68) Tampakmayum Kamal Sheikh, Respdt. No. 70; 69) Ngangom Sunil Singh, Respdt. No. 71; 70) Thokchom Satishkumar Singh, Respdt. No. 72; 71) Nameirakpam Ranjan Singh, Respdt. No. 73; 72) Ningombam Biramani Singh, Respdt. No. 74; 73) Khwairakpam Abonao Singh, Respdt. No. 75; 74) Irungbam Thoungamba Meitei, Respdt. No. 76; 75) Thangjam Vivek Singh, Respdt. No. 77; 76) Laishram Anand Singh, Respdt. No. 78; 77) Kshetrimayum Keshorjit Singh, Respdt. No. 79; 78) Phanjoybam Sanatomba Singh, Respdt. No. 80; 79) Yengkhom Kumarjit Singh, Respdt. No. 81; 80) Ayekpam Shayamkumar Singh, Respdt. No. 82; 81) Nongthombam Dhanabir Singh, Respdt. No. 83; 82) Meihoubam Marconi Singh, Respdt. No. 84; 83) Thokchom Sudhirkumar Singh, Respdt. No. 85; 84) Moirangthem Netajit Singh, Respdt. No. 86; 85) Thokchom Arunkumar Meitei, Respdt. No. 87; 86) Langollakpam Chaothoi Meetei, Respdt. No. 88; 87) Khundongbam Hemanta Singh, Respdt. No. 89; 88) Waikhom Bipin Singh, Respdt. No. 90; 89) Chirom Noren Singh, Respdt. No. 91; 90) Kshetrimayum Dhanachandra Singh, Respdt. No. 92; 91) Phamdom Rambirsana Singh, Respdt. No. 93; 92) Thokchom Heramani Singh, Respdt. No. 94; 93) Sagolsem Rajes Singh, Respdt. No. 95; 94) Khaidem Rambo, Respdt. No. 96; 95) Mutum Chalamba Meitei, Respdt. No. 97; 96) Laishram Reagan Singh, Respdt. No. 98; 97) Chandam Kison Singh, Respdt. No. 99; 98) Sanasam Rameshwor Singh, Respdt. No. 100; 99) Kangabam Herojit Singh, Respdt. No. 101; 100) Md. Amjad Khan, Respdt. No. 102; 101) MK. Kamal Hussain, Respdt. No. 103; 102) Md. Mahijuddin, Respdt. No. 104; 103) M. Shinga Margub, Respdt. No. 105; 104) Mohd. Shariff, Respdt. No. 106; 105) Md. Romesh, Respdt. No. 107; 106) Gaithuidin Kamie, Respdt. No. 108; 107) Lamtinkhup Hangsing, Respdt. No. 109; 108) Gainingong Kahmei, Respdt. No. 110; 109) T. Hingpa, Respdt. No. 111; 110) S.P. Reikami, Respdt. No. 112; 111) Shangreising A. Shipo, Respdt. No. 113; 112) Mr. Moses, Respdt. No. 114; 113) Gaichamguang Kamei, Respdt. No. 115; 114) Gongchamthai Thaimei, Respdt. No. 116; 115) Jangkhangthui Gangmei, Respdt. No. 117; 116) Kadijuan Thaimei, Respdt. No. 118; 117) Thuankimlak Gonmei, Respdt. No. 119; 118) Donjianlung Malangmei, Respdt. No. 120; 119) R.P. Mathiujei, Respdt. No. 121; 120) Lunkhojang, Respdt. No. 122; 121) Kaigougin, Respdt. No. 123; 122) Jangminthang Haokip, Respdt. No. 124; 123) Kholu Henry, Respdt. No. 125; 124) RSM Wunggyothei, Respdt. No. 126; 125) Samuel Kabi, Respdt. No. 127; 126) S. Ismeal, Respdt. No. 128; 127) V.R. Ruising, Respdt. No. 129; 128) Victor Liendokhum, Respdt. No. 130; 129) Manglen Haokip, Respdt. No. 131; 130) Helsanglen Singson, Respdt. No. 132; 131) Kaodinang Gonmei, Respdt. No. 133; 132) Babusana Riamrwei, Respdt. No. 134; 133) Chunhoulung S. Panmei, Respdt. No. 135; 134) AK. Salem, Respdt. No. 136; 135) Sony Horam, Respdt. No. 137; 136) Ryan Zimik, Respdt. No. 138; 137) Champoulung Gangmei, Respdt. No. 139; 138) David Gonmei, Respdt. No. 140; 139) Ngathingpam Eshidang, Respdt. No. 141; 140) Paominial Kipgen, Respdt. No. 142; 141) Lal Thamuan, Respdt. No. 143; 142) T. Ginsuanhang, Respdt. No. 144; 143) Ginminthang, Respdt. No. 145; 144) Th. Danial Simte, Respdt. No. 146; 145) Ngamkholun Kipgen, Respdt. No. 147; 146) Ronald Jamminthang Mate, Respdt. No. 148; 147) Kapthianmang Singsit, Respdt. No. 149; 148) S. Ringmi Tangkhul, Respdt. No. 150; 149) Chaithu Siakpa Aimol, Respdt. No. 151; 150) M. Kothil Kanshouwa, Respdt. No. 152; 151) LH Phuwngam, Respdt. No. 153; 152) DB Johnson Lamkang, Respdt. No. 154; 153) Chanranga Kothil Maring, Respdt. No. 155; 154) K. Moshingwar, Respdt. No. 156; 155) Shongshier Ngamphashing, Respdt. No. 157; 156) Khulak Mongam Maring, Respdt. No. 158; 157) Dangshawa Moshang, Respdt. No. 159; 158) D.P. Reuben, Respdt. No. 160; 159) K.K. Francis, Respdt. No. 161; 160) Ph. Raishung, Respdt. No. 162; 161) V. Punii, Respdt. No. 163; 162) Plamark Moses, Respdt. No. 164; 163) K.S. Benjamin Pou, Respdt. No. 165; 164) ASAB (C.T.), Respdt. No. 166; 165) P. Yudu, Respdt. No. 167; 166) P. Dahriilou Sha, Respdt. No. 168; 167) S.V. Soudu, Respdt. No. 169; 168) L.L. Rainii, Respdt. No. 170; 169) N. Reivei Victor Lanah, Respdt. No. 171; 170) Phominchon Hangshing, Respdt. No. 172; 171) Kaingul Khongsai, Respdt. No. 173; 172) Mangminlem Haokip, Respdt. No. 174; 173) S. Ngamminthang Haokip, Respdt. No. 175; 174) ST Agin Vaiphei, Respdt. No. 176; 175) John Maite, Respdt. No. 177; 176) Jaichuilung Gangmei, Respdt. No. 178; 177) Ningthangpou Longmei, Respdt. No. 179; 178) G. Willam, Respdt. No. 180; 179) Lungthaongam Riamei, Respdt. No. 181; 180) Lungkhangna Gangmei, Respdt. No. 182; 181) Somy Ruangmei, Respdt. No. 183; 182) Lungthaodai Thaimei, Respdt. No. 184; 183) Agangjin Riamei, Respdt. No. 185; 184) Johnson Phaomeih, Respdt. No. 186; 185) Jeson Gonmei, Respdt. No. 187; 186) A.S. Lekmayo, Respdt. No. 188; 187) Somathing Kazingmei, Respdt. No. 189; 188) Khamsing Hungyo, Respdt. No. 190; 189) Free Ninganung Ramsan, Respdt. No. 191; 190) Leishimung Mungvah, Respdt. No. 192; 191) Pamreiwung Shangjam, Respdt. No. 193; 192) Ngulmun Hemtinlen Baite, Respdt. No. 194; 193) Shimphrui Shanglingam, Respdt. No. 195; 194) Wichamthiubou Pamei, Respdt. No. 196; 195) M. Maingamlung, Respdt. No. 197; 196) Lamtinthang Thomsong, Respdt. No. 198; 197) Pl. Sarang, Respdt. No. 199; 198) Kadining Gonmei, Respdt. No. 200; 199) Gedeon Gangmei, Respdt. No. 201; 200) Ginminlien Gangte, Respdt. No. 202.

NOTICE UNDER ORDER V RULE 20 C.P.C (SUBSTITUTED SERVICE)

Whereas the Hon'ble Court vide its order dated 14.02.2020 passed in WP(C) No. 346 of 2020 in the matter mentioned above has been pleased to permit the petitioner to serve notice to the Respondent Nos. 3 to 202 by way of "Substituted Service" through publication in 2 (two) local dailies, one in English and one in local vernacular returnable on 03.08.2020.

Now, therefore, notice is hereby issued to you by way of substituted service by making publication in the Newspaper requiring you to appear before the Court on or before the returnable date i.e. 03.08.2020 either in person or by a lawyer duly authorized.

If no appearance is made on your behalf, by yourself or by your lawyer or by someone authorized by law to act for you in the aforementioned Case on the date of appearance or before such later date on which the case may be heard and decided Ex-Parte in your absence.

Signed and sealed by order of the Court this the 20th day of July, 2020.

By : H. Kunjeshori,
Advocate,
Jr. to B.P. Sahu,
Sr. Advocate

By Order,
Smt. R.K. Kamala Devi
(i/c)Assistant Registrar-I
High Court of Manipur
Imphal

HL-P/7424/8&9

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।